# মহৈরোইশিংনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা এনএসসিএন (আইএম)গী মায়োক্তা খোল্লাউ লাওখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

লমদমসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা ঙসি লম্বী, শরুক্তা থোরক্তুনা এনএসসিএন-আইএমগী কেদরশিং মণিপুরদা লৈবা য়ারোই হায়দুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোল্লাউ লাওখ্রে।

খোঙজং অদুদা মহৈরোইশিংনা মখূৎতা প্লে কার্ডশিং পায়দুনা লম্বী, শরক্তা পরেং লেপ্তুনা অপুনবা খোল্লাউ কয়া-মণিপুরদা এনএসসিএন(আইএম)গী কেম্প তকথোকখিগদবনি, এমসুদা খূৎ থাখিবা এনএসসিএন(আইএম)গী কেদরশিং চৈরাক পীগদবনি, এনএসসিএন(আইএম)কেদরশিং মণিপুরদা লৈবা য়ারোই অমদি তৌনিংবা তৌবসু য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউদুনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

দিএম কলেজ ওফ আর্টস, দিএম কলেজ ওফ সাইন্স, খুরখুল ষ্টেন্দর ইংলিস স্কুল, সদার পেটেল হায়স্কুল, ব্রাইটর ষ্টার পব্লিক স্কুল, সিঐচ তুলা সিংহ জুনিয়র হায়স্কুল, রাইট ষ্টেফ ইংলিস স্কুল নিলপদ্মা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, কিশ্বর ইন্সটিট্যুট, পাইওনর স্কুল, রোয়েল স্কুলনচিংবগী মহৈরোইশিংনা ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## ফেক ইনকাউন্টর থৌদোক অনীগী কেস দাইরিশিং...

পুলিসনা রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অনীসিগী থৌদোকশিং নৌহৌননা থিজিন্নবগীদমক সিবিআইনা রেজিষ্টর তৌখিবা মখোয়গী কেস নম্বরশিংনা আরসি/ দিএসটি/ ২০১৮/ এস/ ০০৩১ অমসুং আরসি/দিএমটি/ ২০১৮/এস/০০৩২নি।

এজেন্সি অসিনা থৌদোক অনীসিগী কেসশিং অসি অমুক হন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপদগী সিবিআইগী এমআইটিগী মায়কৈদগী কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসন ওফিসারশিং ওইরিবা ইন্সপেক্টর বেবেক রঞ্জন রোয় অমসুং দিপ্যুতি সুপ্রিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস শুরেন্দর কুমারনা এসপি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী খূত্থাংদা কেসশিং অসিগী রেকোর্দ পূন্নমক মখোয়দা পীরক্লবা হায়রকখিবনি হায়রি।

মতাংসিদা পনবা য়াবদি কেস অনীমক পুলিসকী মায়কৈদগীদি ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ৩০৭গী মখাদা লৌখৎখিবনি। অদুবু সিবিআইগী এমআইটিনদি আইপিসিগী সেক্সন ৩০২গী মখাদা কেসশিং অসি রেজিষ্টর তৌরবনি।

সিবিআইগী মায়কৈদগী কেস অনীসিগী মরী লৈনবা চে-চাং পূন্নমক ওইরিবা কেস দাইরি, দোক্যুমেন্টশিং, রিপোর্ট অমদি ইগজিবিটশিং পীননবা হায়রকপদগী থাসিগী ৪দা ময়াং ইম্ফাল পুলিসকী মায়কৈদগী জ্যুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফার্ষ্ট ক্লাস, ইম্ফাল ৱেষ্ট-টুদগী অয়াবা লৌরবা মতুংদা কেসকী পোৎলমশিং অসি খূৎশিন্নখিবনি হায়রি।

সিবিআইদা খূৎশিন্নখ্রবা কেস অনীসিগী মনুংদা এফআইআর নম্বর ১৬(৩)২০০৯ অসিদি চহী নৌরিবা এমদি অজাদ খান কৌবা চহী নৌরিবা নুপামচা অমা অসাম রাইফলস অমদি পুলিস কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অমনা হাৎখিবনি।

## ২৫রক শুবা কুকি ব্রেক দে ঃ...

লোয়ননা জোরো, জেনরেল হেদ ক্বাটরগী প্রসিদেন্ট সঙ্কাৱিয়ানা 'ব্রেক দে'গা মরী লৈননা সোভেনিয়র অমা রিলিজ তৌখি। অমরোমদা, থাসিগী ১৩দা মপুং ওইনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টি অপূন্বদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী ওফিসশিং, দুকান অমদি কৈথেলশিং য়াওনা মহৈলোইশঙ পূন্নমক থোঙ লোনগনি হায়না ঙসি কেএমও, মাদর হিলসকী জেনরেল সেক্রেটরী ঙমখোহাও হাওকিপনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা হরাও-কুম্মৈ থৌরম অমত্তা পাঙথোক্লোই হায়বগা লোয়ননা নুমিৎসিদা য়ুমথোঙ খূদিংদা অমুবা ফিরাল থেৎপগা লোয়ননা এনএসসিএন-আইএমগী মীওৎ-মীনৈদা লৈখিদ্রবা কুকি মীচমশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবগা লোয়ননা মীনুংশি উৎপিয়ু হায়দুনসু অপিল তৌরক্লি।

## এমএলএ জয়কিষননা অথোইবা মীথুং ওইদুনা...

অদুগা ঙরাংগী তাংদা ইবা চে অমা এস দি ও লম্ফেল অমসুং এস দি সিনা ঙসি অয়ুক এমএলএগী ওফিসতা থিল্লকখি হায়রি।

চে অদু ফংলবা মতুংদা এম এল এ জয়কিষননা লাক্লগা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

সরকারগী ওইবা থৌরম পাঙথোকপা মতমদা কেন্দ্রগী এম এল এশিং তান্নরমদবা অসি মতুংদা তৌহন্নিংদবগী ৱাফম ফোঙদোক্লকখি।

থৌরম অদুদা কে ঐচ জয়কিষন এম এল এনা মীয়াম্না হেল্থ কার্দ, মরু মরাং অমদি মহৈরোইশিংদা লাইরিকনচিংবা য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী ডা. সুহেল আক্ষতরসু শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি হন্দক্তা জুলাই থাদা পাঙথোকখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা খুঙ্গং চৎসি হায়বা থৌরম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মখাদা শিনব্রা নৎত্রগা বি জে পিনা শিনব্রা হায়না জয়কিষন এমএলএনা হংলদুনা পার্টিগী থাক্তা শিনবা থৌরম ওইরগদি ষ্টেট বজেটতগী শেল কায়থোকপীদনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

মদুগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী স্কিম অমা ওইনা পায়খৎপনি, পার্টিগী থাক্তা পায়খৎপা নত্তে, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শীনবনি হায়রদুনা কেন্দ্রশিংগী এম এল এ তান্নরগা থৌরম পাঙথোক্লবা পাউতাক পীবা লৈখিবনি।

## আরপিএফ-পিএলএগী মেম্বর ৩ খূৎশু খূলাইগা ...

চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ ১ অমদি মোবাইল ফোন ১ (২) খুরাই সাজোর লৈকাইদগী আর কে শুরজিৎ সিংহ এলাইজ এন্দি(৪৮) অপোকপা আর কে মঙ্গীসনা। মঙোন্দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০গা কোন্নবা কোল্ট নাইন এমএম পিস্তোল ১, মোবাইল ফোন ১ (৩) খুরাই সাজোর লৈকাইদগী ঙাংবম প্রেমচান্দ সিংহ (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এনজি স্যামকিশোর। মঙোন্দগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৪গা কোন্নবা বেরেতা নাইন এমএম পিস্তোল ১ অমদি দিতোনেতর য়াওদবা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ ১ ফংলে হায়রি।

মখোয়না হায়দোকচরকপগী মতুং ইন্না মখোয় ইম্ফাল ইষ্ট দিভিজন সেক্রেটরী প্রেমানন্দা কৌবা মীওই অমগী মখাদা থবক তৌবনি। মখোয়দগী ফংলিবা খূৎশু-খূৎলাইশিং অদু আর পি এফ-পি এল এগী রাইজিং দেগা মরী লৈননা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সতা এটেক্ট চত্থনবনি হায়রি। ফাগৎলবা খূৎশু-খূৎলাইশিংগা লোয়ননা মীওই ৩ অদু পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা ঙসি নুংথিল হৈরোক পার্ট ৩ ইঙাংলোক ভিলেজ এরিয়াদা অচৎ অওক চেক তৌবদা পিএলএগী মেম্বরনি হায়বা হৈক্রুজম রাধেশ্যাম সিংহ এলাইজ ৱাংবা (৩১) অপোকপা ঐচ রঞ্জিৎ ফারে। মহাক লৈকাই অদুমক্তদগীনি। হৈরোক পুলিস ষ্টেসননা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা তাবা থবক চত্থরি হায়না পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

## এম এম দল্লীয়ু ওনা মোবেদস মেম্বর সেক্রেটরিগী ওফিস...

(মোবেদএস) কী মেম্বর সেক্রেটরী ওইনা কেঐচ দিনেসচন্দ্রবু থাজিল্লকপা হায়বসি এমএমদব্লিউওনা য়াবা ঙম্লোই। মহাক্না মোবেদসতা মেম্বর সেক্রেটরী ওইনা লাক্লবদি মহাক্কী ওফিস ছো লোনশিনগনি হায়না এমএমদব্লিউওনা মমাংদা লাওথোকখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুংইন্না ওফিস ছো লোনশিনবগী খোঙজং অসি চত্থখিবনি।

মহাক্না হায়, বিপিএলগী থাক্তা লৈরিবা লাইরবা মহৈরোই কয়া অমগী হক লুট তৌফম ওইরিবা অমদি মাইনোরিটিগী ফন্দ কয়া অমা লান্না শিজিন্নখ্রে হায়বগী স্কেন্দল কয়া অমা থোকখি এম ও বি সি দিপার্টমেন্ট অসিগী মতম শাংনদগী হৌরগা ২০১৭ ফাওবা কেঐচ দিনেসচন্দ্রনা দাইরেক্তর ইন চার্জ ওইরম্মী। হায়রিবা স্কেন্দলময়াম অদুদা মহাক চেন্নরম্মোই হায়নিংঙাই লৈতে।

কুমজা ২০১০দগী ২০১৭ ফাওবদা এম ও বি সিগী মখাদা থাদরকখিবা স্কিমগী ফন্দশিং অদু কদায়দা শিজিন্নখ্রে হায়বদু এস আই টি লিংদুনা হৌজিক হৌজিক থিগৎপগী থবক চত্থদুনা লৈরিবনি। মসিগুম্বা চৈরকসিদা মহাকপু মোবেদসকী মেম্বর সেক্রেটরী ওইনা থাজিলক্লিবসি এস আই টিনা থিগৎলিবা অসিদগী কন্ননবা অরোনবা লাল্লোং অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মহাক দিপার্টমেন্ট মাইনোরিটিদা নৎত্রগা মোবেদসতা নৎত্রগা ৱাকফবোর্দতা নৎত্রগা হজ কম্মিটিদা,মাইনোরিটিগা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমতদা থম্বা য়ারোই। এস আই টিনা থিগৎপা লোয়রবা মতুং মহাক চেন্নরমদ্রবদি থম্বীবদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়খি।

অমরোমদা, হৌজিক এস আই টিনা থিগৎলিবা অসিগী মতুংইন্না করি করি রিপোর্ট ফংলবগে হায়বদু ঙসিফাওবা কনা অমত্তদা খঙহনবা লৈত্রি। এস আই টিনা দিলে টৈক্তিস্ট শিজিন্নদুনা লৈরে। মরম অদুনা এস আই টিদা থাজবা থমদ্রে। সি বি আই নৎত্রগা এন আই এগুম্বা ইন্দিপেদেন্ট এজেন্সিদা ওইনা থিগৎহনবীরো হায়না পর্থাননা মখা তানা পাউগী মীফম অদুদা ফোঙদোকখি।

## লুপা লাক্ষ ১০ হেনবগী...

ক্বার্টরদা খূৎশিন্নরবা মতুংদা থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে।

দ্রাইভ অদুগা মরী লৈননা এমএসএফকী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট লকি কোন্সমনা ফোঙদোকখিবদি, এমএসএফকী 'ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি' হায়বা একাডেমিক কেম্পইন অসিগী মনুং চন্না ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। মীপুম খুদিংমক তিঞ্জং কায়জংদবা মশা-মউফম্না লৈবা অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংবু কন্নবগীদমক লমদম অসিদগী নিষা মরু ফঙনা মুখৎতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা দ্রাইভ অসি চত্থবনি।

## নেস্নেল এৱার্ড ফঙখ্রবা ওঝা ইন্দ্রকুমার তরাম্না ওকখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

কুমসি চহীগী ওইনা নেস্নেল টিচরস এৱার্ড ২০১৭ ফঙখ্রবা কুম্বী শন্দংখোঙ অপর প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মাষ্টর খাঙেম্বম ইন্দ্রকুমারনা ঙসি ইম্ফালদা থুংলবদা মহৈরোই অমদি মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে

এৱার্ড অদু হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৫দা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ভেন্টকাই নাইদুনা খূৎশিন্নখিবনি।

ওঝা অসিনা ঙসি নুংথিল এয়ারপোর্টতা থুংলবদা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং, ষ্টাফ অমদি মায়কৈ অদোমগী মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখিবনি।

তুংদা কুম্বীগী ইবুধৌ ঈশিং চাইবী লাই শুমাঙদা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অমদসু ওঝা ইন্দ্রকুমারবু ওকখি। থৌরম অদুদা হান্নগী মিনিষ্টর এন মঙ্গী অমদি কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়ার পার্সন দল্লিয়ু চান্দসু শরুক য়াখি।

## বুক ওফ আর্ট / আর্ট ফেষ্ট ২০১৮ পাঙথোকখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

আর এন্দ ভি আর্ট হাউসনা শীন্দুনা মণিপুরদা অহানবা ওইনা বুক ওফ আর্ট /আর্ট ফেষ্ট- ২০১৮ হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা আর এন্দ ভিগী ফাউন্দর দল্লিয়ু বিজেতানা হায়, পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি মণিপুরগী আর্টিষ্টশিংবু নেস্নেল, ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা অমদি আর্ট হায়বা লম্বীসিদা থবক অমা ওইনা তৌবা ঙমজনবগী পান্দমদনি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবদি, লমদম অসি মীশিং য়ামজদ্রবসু টেলেন্ট লৈরবা আর্টিষ্ট কয়া লৈরি। আর্টিষ্টশিং অসিবু পুথোকপদা ঙাসিগী আর্ট ফেষ্ট অসিনা মতেং পাঙলগনি। অমনা-অমবু য়েংশিন্নবগী মহুৎতা মতেং পাঙনদুনা আর্ট অসিদসু শান্নবদা মমিং লৈবগুম লৈনবা হোৎনসি হায়না অপিল তৌখি।

লাই য়েকপা মীওই ৩০ রোম্না শরুক য়াখিবা ফেষ্ট অদুদা এস সঞ্জিব মৈতৈনা অহানবা তাদুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং য়াঙ্খে অমদি শরুক য়াখিবা লাই য়েকপা পূন্নমক্তা লুপা লিশিং অনী-অনী পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। থৌরম অদুগী থৌরম মপু নিরমালেন্দু দাসনা ওইখি।

## অফস্পাগী মায়োক্তা সিএসওশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

কম্মিতি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) মণিপুর, ঈভম, হ্যুমেন রাইটস এলার্ট, ঐচআরদিএম অমসুং জেপিএফনা শীন্দুনা চহী ৬০শুরবা অফস্পা ১৯৫৮ লৌথোকউ হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুগা মরী লৈননা কোহরগী চেয়ারমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা হায়, মতম অমদা বৃটিশ ইন্দিয়ানা শেল্লম্বা আর্ম ফোর্সেস ওর্দিনান্স ১৯৪২ মতম অদুদসু অমুবা আইননি হায়না ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা কন্না প্রোটেষ্ট তৌদুনা চৎনবা য়ারোই হায়না লাউখি। ইনিদয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা হায়রিবা ওর্দিনান্স অসি এক্ট ওন্থোক্তুনা ১৯৫৮ সেপ্টেম্বর ১১দগী চৎনবা হৌখি। মণিপুরগী মফম খরদসু এক্ট অসিগী মখাদা দিষ্ট্রপ এরিয়া লাউথোক্তুনা মীওৎ মীনৈ চত্থরকখিবনি। অদুগা ১৯৯০ সেপ্টেম্বর ৯দগী ষ্টেট শীনবা থুংনা এক্ট অসিগী মখাদা দিষ্ট্রপ এরিয়া লাউথোক্তুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অহেনবা শক্তি পীরগা ওৎপা নৈবগী থবক ঙসি ফাওবা চত্থরক্লি। এক্ট অসিগী মরুমদা হাৎখিবা মীওইশিংগী মনুংদা হ্যুমেন রাইটস ওর্গনাইজেসনশিংনা প্রমান য়াওনা ফঙবা কেস ১৫২৮ লৌখৎতুনা লৈরি। অদুবু কেসশিং অসিগী মায়োক্তা আর্মি পার্সোনেল ৭০০ রোমনা কেস ফাইল তৌরকপা অসি পেন্দে অমসুং য়ানিংদে।

মহাক্না মখা তানা হায়, মতম মতমগী সরকারনসু এক্ট অসিদা রাজনিতি তৌরগা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখি। ইলেক্সনগী মতমদা এক্ট অসি লৌথোক্কনি হায়না লাউখি। অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোকপা ঙমদবসি য়াম্না লাইবক থিবনি। এক্ট অসি লৌথোকখিনবা মখা তানা হোৎনখিগনি অমদি মীয়ামগা লোয়ননা দিমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেমশারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঈভমগী প্রসিদেন্ট রেনুবালা, জেপিএফকী মেনেজিং ট্রষ্টি কেঐচ অনন্দি, ঐচআরদিএমগী দাইরেক্টর সি জয় অমদি ঐচআইএগী কেএসঐচ ওনিলসু পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## চিঐচ গোজেন্দ্রো হল্লকহল্লবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি...

ওথোরিটি (এলদিএ)দগী ওফিসার ওন স্পিসিয়েল দ্যুটি (ওএসদি) দা চহি ২ দিপুতেসনদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টদা কুমজা ২০১৬কী জনুৱারি ১৭তগী ইঞ্জিনিয়ারিং ৱিংদা চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওইনা থবক পুবা হৌরকখি।

ইদিসননা হায়,মহাক্কী থবক থৌরমদা কয়া পেন্দবদগী মতমদুদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী কম্মিস্নর ওইরম্বা লক্ষমী কুমারনা কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ১৬তা ওর্দর অমা থোক্তুনা মহাকপু থবক্তগী সস্পেন তৌখি। তুংদা এল দি এদা হল্লকনখিনবা ওর্দর অমা থোক্লগা সস্পেসন হনগৎখি।

অদুবু মহাক্কী মতমদুগী মীচং সঙ্গাগী মতেংনা নম্ফু হাফুদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টগী ইঞ্জিনিয়ারিং ৱিং অসিমক্তদা চীফ ইঞ্জিনিয়ার ওইনা মখাতানা অদুমক লৈরকখিবনি। অদুবু চৎলিবা চহিসিগী হৌরকপা ফেব্রুৱারি থা অদুৱাইদা মহাক্না কনাগুম্বা থিকাদার খরদগী শেল লৌরুবগী ভিদিও ক্লিপ অমা সোসিয়েল মেদিয়াদা শন্দারকপদগী এদুকেসন এসকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ওইরিবা বিনিট জোসিনা চহিসিগী মার্চকী ১২দা ওর্দর অমা থোক্তুনা থবক্তগী সস্পেন তৌখি।

অসিগুম্বা মীওই অসিগী মথক্তা মণিপুর গভর্নমেন্টগী ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টনা চার্জসিৎ অমত্তা থাংগত্তবদগী রিগুলর এফ আই আর অমদা ওন্থোক্লগা মহাক্কী সস্পেসন অদু হনগৎলে হায়না থা অসিগী ৫দা ওদর থোরকখ্রে হায়না ইদিসননা মখাতাখি।

করপসন মুথৎকনি হায়না ভোৎ মনাক্তগী মীয়ামদা থাজহনবগা লোয়নন এন্তি করপসন শেল ফাওবা হাংলে হায়রিবা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা করপসন্দা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অমগী সস্পেসন ওর্দর ককপা হায়বসি মণিপুরগী মীয়ামগীদা নত্তনা মরুওইনা মহৈরোইশিংগী খ্বায়দগী লাইবক থিবা থৌওংনি হায়বগা লোয়ননা পাল্লিবা লৈঙাক অসি করপসনবু মরু ফংনা মুথৎপা পাম্বা লৈঙাকনি হায়বদু থবক্লা উৎপিয়ু হায়না ইদিসননা মখাতাখি।

লমদমসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরিবা মহৈরোইশিংগী পুন্সি কন্নবগীদমক্তা সিঐচ গোজেন্দ্রোদা নত্তনা করপসননা হারবা মীওই অমত্তা এদুকেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা পায়হনবীগনু। করিগুম্বা অসিগুম্লবা মীওইশিং অসি নম্ফু হাফুদা এদুকেসন দিপার্টমেন্টদা চংহল্লক্কবা হোৎনরক্লবদি মহৈরোইশিংনা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ইদিসননা চেকশিন ৱা থম্লক্লি।

## নোংমগী ওইবা মেডিয়া ৱার্কসোপ পাঙথোকখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইনফোর্মেসন অমদি বোর্ডকাষ্টিংনা শীন্দুনা লমদম অসিগী প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মের্ডিয়াদা থবক তৌরিবশিংগী ওইবা নোংমগী মেডিয়া ৱার্কসোপ অমা ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্তা লৈবা রিজনেল আউটরিচ ব্যুরোগী ওডিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ডিজিটেল ইন্দিয়া, লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনবা অমদি পূন্নমক হকশেল অদুগা অয়ুসমান ভারত হায়বা হিরমশিংদা মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা অথোইবা মীথুং ওইনা হৌদোকখি। অদুগা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোগী এডিস্নেল ডাইরেক্টর জেনরেল এসকে মালভিয়ানা আথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ অদু হৌদোক্লদুনা ডিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, মেডিয়া ডিমোক্রেসি চৎপা খুন্নাই অমদা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাওই। অদুবু মেডিয়াগী নীংতম্বগী খুদোংচাবা লৌদুনা প্রিন্ট, ইলেক্ট্রোনিক অমদি সোসিয়েল মেডিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্লবদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি।

সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা মীয়ামগী কান্নগদৌবা ৱেলফিয়ার স্কিমশিং মেডিয়াগী খুত্থাংদা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহনবদা মেডিয়াগী মীওইশিংনা লৌবা য়াবা থৌদাং লৌহন্নিংবগী অপাম্বসু দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী মেডিয়া ৱার্কসোপ অদুগী টেক্নিকেল সেসনশিংদা ডিজিটেল ইন্দিয়াগী মতাংদা ইম্পেক্ট টিভিগী এডিটর ইন চীফ য়ুম্নাম রূপচন্দ্র, লৌমীগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহন্নবগী মতাংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী নোভেল ওফিসার (আইটি) একে চিরঞ্জন, পূন্নমক্কী হকশেল অমদি অয়ুশমান ভারতকী মরমদনা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি ডাইরেক্টর ডা প্রোবিন অরাম্বম অমদি এডিস্নেল ডাইরেক্টর ডা শচিকুমার মঙাঙনা ৱা ঙাংখি।

## ইন্টরপ্রেনরশিংনা নাৎ কলচর মীরাইদনবা সলাইগী চিয়ারমেননা আপিল তৌখ্রে

এসএনএস
ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

লমদম অসিদা লৈরিবা ইন্টরপ্রেনরশিংনা ঐখোয়গী কলচর অমদি ট্রেদিসন অসি ঙাক্তুনা চাউখৎলমজেল অসিদা য়াওবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়না সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী চিয়ারমেন নারেংবম সমর্জিৎনা অপিল তৌখ্রে।

জেক রিপব্লিকদগীলাকখিবা সলাই হোল্ডিংসকী ব্যুজিনেস পার্টনর ওইবা মীওইশিংদা লমদম অসিগী নাৎ অমদি কলচরবু উৎপগী থৌরম অমা সেকমাইজিন খুনৌদা লৈবা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাডেমিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। স্কুল অদুগী মহৈরোই অমদি সলাইগী মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোকখিবা অদুগা মরী লৈননা সলাই হোল্ডিংসকী চিয়ারমেন নারেংবম সমর্জিৎনা হায়খিবদি, লমদম অসিগী ইন্টরপ্রেনরশিংনা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্লবা কলচর অমদি ট্রেদিসন অসি পূন্না য়োকখৎমিন্নদুনা মালেমগী চাউখৎলমজেল অসিদা শরুক য়ামিন্নবা মথৌ তাই।

মপান লমশিংগী ব্যুজিনেস পার্টনর ওইরে হায়দুনা লাল্লোন ঈতিক খক তৌবনা মতম কুইনা চৎপা ঙম্লোই। মরম অসিনা সলাইগা ব্যুজিনেস পার্টনর ওইরিবা জেক রিপব্লিক্কী মীওইশিংগা লল্লোন ঈতিক্কী ওইবা হিরম খক নত্তনা লমদম অসিগী ওইবা অমদি মখোয়গী ওইবা কলচর অমদি ট্রেদিসন অদু খঙমিন্নদুনা মতম কুইনা অদুগা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা চৎমিন্ননবগী পান্দমদা কলচর প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকপনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জেক রিপব্লিক্তগী লাকপা টোমাস কাসিনা, ওন্দ্রি ক্রিভকা, এক্স-এমএলএ সাপম কুঞ্জকিশ্বরনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**লমায় ১ গী মখা**

## এসআইআরদি অমসুং সোসিয়েল ৱেলফেয়ার...

মখোয়গী পার্ফোমেন্স অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না এস আই আর দিগী ফেকলটি মেম্বরশিংবু মখা তানা মপুং ফানা ত্রেনিং পীদুনা ওল ইন্দিয়াগী থাক্তা পাঙথোকপা কম্পিতিসনশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎননবা অপীল তৌখি।

মনা অসি এস আই আর দিনা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎপা, হৌখিবা চহিদা ত্রেনিং তৌখিবা মীগী মশীং অমসুং ত্রেনিংগীদমক লৈরিবা ইনফ্রষ্ট্রক্চরনচিংবা কয়া য়াওরি।

এস আই আর দি মণিপুরনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা ত্রেনিং ৯৪৭ পাঙথোকখ্রে। ত্রেনিংশিং অসিদা পুন্না ত্রেনি ৪০,৪৩৯ ত্রেনিং পীখ্রে। ষ্টেট এস আই আর দি কেম্পস অসি ৱাই ফাই ইন্টরনেট অমসুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুদোংচাবা লৈবা কম্প্যুটর কনেক্তিভিতিগী খুদোংচাবশিংসু লৈরবনি।

অমরোমদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকা দি বি টি চাদ ১০০ তৌবা ঙম্বগী অহুমশুবা মনা ফংলকপদা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা হায়, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা মতম লৈবা খিবিক্তা স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীনবা থবক পায়খত্তুনা লাক্লি। মসিগী মায় পাকপা অসি মপুং ওইনা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগী টিম ৱার্ককী মহৈনি। স্কিম খুদিংমক্কী দি বি টি তৌবা হায়বসি মিনিষ্টরনা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার হেক পায়রকপদগী টার্গেট তৌদুনা লাক্লিবনি। চীফ মিনিষ্টরগী লিচিং মখাদা ঙসিগী মায় পাকপা অসি ফংবনি হায়খি।

ওল্ড এজ পেন্সন দিবিটি তৌবদা ষ্টেটশিংগী মরক্তা চাদ ১০০ এচিভ তৌবা ঙম্বা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী ৮ শুবা অমসুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদনা অনীশুবনি। মসিনা শেঞ্জা থুমজা য়াওদনা মনুং মপান ফাওনা উবা মওংদা শেনফমশিং অদু বিনিফিসিয়ারিশিংদা য়ৌহনবা ঙম্লীবনি।

নেসনলে ওল্ড এজ পেন্সনগী ওইনা মণিপুরদা হৌজিক বেনিফিসিয়ার ৫৫২৪৭ লৈরি। পি এফ এম এসকী খূত্থাংদা এন এস এ পি-পি পি এসগী মখাদা পেন্সন পীবগী থৌরাং অসিনা মীং অনীথোক্লা য়াওবা, শাশিন্নবা বিনিফিসিয়ারি লৌথোকপা, অনৌবা বিনিফিসিয়ারি চপ চানা তার্গেট তৌবা য়াবা, থাগী ওইনা শেল দিসবর্সমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা লৈবা অমসুং এরিয়ারগা লোয়ননা পেন্সন হোৎপা, মতম মাঙহন্দবনচিংবদা কান্নবা পীগনি।

দি বি টি চাদা ১০০ এচিভ তৌবগী মথক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওল্ড এজ পেন্সনরশিংবু পেন্সনশিং দোরষ্টেপ দেলিভরি তৌবা য়ানবা রুপে কার্দ কার্দশিং পীবগী থবক তৌরি। মসিগা মরী লৈননা বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিংদা রুপে কার্দশিং রুপে কার্দ নৎত্রগা এটি এম কার্দ পায়দবা পেন্সনরশিং পীবিদুনা লায়না শেল লৌথোকপা য়ানবা থৌশিল চত্থনবা খঙহনখ্রে।

## আর্বান লোকেল বোদিশিংদা লুপা লাক্ষ ২-২গী তেংবাং...

ঙসিগী থৌরম অদুদা ওদিএফ সর্তিফিকেটশিং খূৎশিন্নখ্রবা য়ু এলবিশিং অদুদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, লিল্লোং থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ময়াংইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ককচিং খুনৌ নগর পঞ্চায়ট, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, কম্বী নগর পঞ্চায়ট, ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ক্বাক্তা নগর পঞ্চায়ট, ৱাংজিং লমদিং নগর পঞ্চায়ট, সিখোঙ সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, শুগনু নগর পঞ্চায়ট, লম্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, থোংখেঙ লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ওইনাম নগর পঞ্চায়ট,লিল্লোং ইম্ফাল ৱেষ্ট নগর পঞ্চায়ট, অন্দ্রো নগর পঞ্চায়ট, লমশাং নগর পঞ্চায়ট, সেকমাই নগর পঞ্চায়ট অমসুং হৈরোক নগর পঞ্চায়টনি। ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন,ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিং অমসুং নগর পঞ্চায়টশিংগী চেয়ারপার্সনশিংদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ওদি এফ সর্তিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি।

## পুন্না দায়ত্ব লৌমিন্নবগী...

ঙসিগী থৌরম অসিদা লাক্লিবা ওফিসিয়েল খুদিংমক্তা প্রজাশিংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা কয়াগী ৱাকৎসু লানখৎপীয়ু হায়না মিনিষ্টরনা আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লংথবাল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর এল রোসননা থৌরম মপু, দি সি ইম্ফাল ৱেষ্ট এন প্রভিন, ওইনাম থিঙেল জি পিগী প্রধান থোঙাম গুনেশ্বর অমসুং লংথবাল মন্ত্রিখোঙ নাউরেম লৈকাই জি পিগী প্রধান অহৈবম শুনন্দাসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা অঙাংশিংগী লাই য়েকপগী চাংদম্নবা অমসু পাঙথোকখি লোয়ননা উজৱালা স্কিমগী মখাদা এল পি জি কনেক্সনশিংসু প্রজাশিংদা খূৎশিন্নখি।

## কানি কেজি ৩...

ফারবা মীওইদুগী মমিং থাংমা বাইতে (২৬) অপোকপা বাইটে চুরাচান্দপুর লাইলোইফাই ভিলেজদগীনি। মহাক্কী জবানদগী থৌদোকসিদা চেন্নবা লিলোং চীংগোন তরাওরোক্তগী লৈখিদ্রবা এমদি হবিবুরগী মচানুপা এমদি অব্দুল হসন (২৩) কৌবা নহা অমসু ঙরাং নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা ময়াং ইম্ফালদগী ফাগৎলে হায়রি।

## লূপা লাক্ষ ১৫...

বার অহুমগা কোন্নবা মীওই অহুম ফারে হায়রি।

ফারবশিংদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী য়ৌরবুক মনিং লৈকাইদগী তেলেম বিরজিৎ (৪৬) অপোকপা টি নিলচান্দ, য়ুম্নাম ইবোহল (৪৪) অপোকপা ৱাই য়াইমা অমসুং জিরিবামগী বিদ্যশাগরদগী লাইশ্রম মনিহার (৫৫) অপোকপা এল মাইপাকনি হায়রি। ফাগৎলবা সনাশিং অসি চাওরাক্লা লুপা ১৪,৪০,০০০ রোমগী ওইগনি হায়রি।

## ক্বাথা ভিলেজগী...

চেরোল অমদা হায়, করিগুম্বা অয়াবা য়াওদনা থবক পায়খৎলম্লগদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তগী দাইত্ব পূম্বা মশা মশানা পুজগদবনি। লোয়ননা হৌজিক ফাউবদা ক্বাথাদা মীতৈশিংনা ১৪৬৯দগী খুল তাদুনা লৈরকঙৈদগী খুলসিগী কষ্টমরি লোশিং তেক্ত কায়দনা চৎনদুনা লাক্লিবনি।